# ভেনিজ্বেলাগী প্রসিদেন্টনা ইকনমিক ৱার থেংননবা ইমর্জেন্সী লাউথোকখ্রে




কারাকাস, জুন ১১ (এজেন্সী) :
লেটিন অমেরিকান লৈবাক ভেনিজ্বেলাগী মায়োক্তা ফোরন পৱারশিং অমসুং রাইটৱিং ফোর্সশিংনা চথরিবা লাল থেংননবা লৌখৎলকপা খোঙথাংনি হায়রদুনা ভেনেজ্বেলাগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোনা লৈবাক অদুদা ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সী লাউথোকখ্রে।

ইনফ্লেসনগী রেট চাদা ১৮০ ওইদুনা ভেনিজ্বেলানা ইনফ্লেসনগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবা লৈবাক ওইরি অমসুং মৈ ফংবগী চাং অদুক্কী মতিক নেম্না লৈরে হায়রি।

প্রসিদেন্ট মাদুরোবু পৱারদগী লৌথোক্লবা রিকোল রিফরেন্দম অমা পাঙথোক্লবা তকশিল্লদুনা ওপোজিসন পোলিটিস্যানশিংনা সিগ্নেচর মিলিয়র ১.৮৫ য়াওবা পিটিসন অমা পীশিনখ্রে।

থাউ মরাং কায়না ফংবা লৈবাক অদুদা করম্না হৌজিক্কী ক্রাইসিস অদু থোক্লক্লিবনো হায়বসি নৈননিঙাই ওই হায়রি।

ভেনিজ্বেলা অসি থাউগী মপান ফজনা তাংদুনা লৈবা লৈবাক অমনি হায়বসিদা করিমত্তা য়েৎননিঙাই ওইদে। লৈবাক অসিদা থাউসু মরাং কায়না ফংই। মপান্দা থাউ য়োনবনা ভেনিজ্বেলাগী এক্সপোর্ট রেভিন্যু অপুন্বগী চাদা ৯৫ ওইরি। থাউদগী লাক্লিবা শেনফম অদু লৈবাক অসিগী গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগীদমক্তা পুকচেল চাউনা পাউখৎলিবা সোসল প্রোগ্রামশিংদা থাদখি।

ওফিসল ফিগরশিংগী মতুং ইন্না, গভর্ণমেন্টনা ময়ুম মকৈ লৈজদবা লায়রবা ভেনিজ্বেলনশিংগী য়ুম মিলিয়ন অমা হেন্না শাখ্রে হায়রি।

তৌইগুম্বসুং ভেনিজ্বেলাগী থাউগী মমলদি হন্থরকখি। কুমজা ২০১৪দা চাংচত্তা বেরেলদা দোল্লর ৮৮ লৈখিবদগী কুমজা ২০১৫দা তঙ্খায় তাথরক্তুনা বেরেলদা দোল্লর ৪৫দা লৈখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৬কী মে ১৩দা বেরেলদা দোল্লর ৩৫দা অমুক্কসু হাইদরকখি।

অসুম্না থাউগী মমল হন্থরকপনা মরম ওইদুনা গভর্ণমেন্টকী শেঙ্গাওদা মতম অমদা লৈরম্বা চাংদুদগী য়াম্না হন্থখি। মসিনা মরম ওইদুনা শেলথুমগী লম য়াম্না লৈতবা ভেনিজ্বেলাদা অচৌবা প্রোব্লেম অমা লাকহনখি হায়রি।

থাউ নত্তবা অতৈ রিসোর্ছশিং লৈতবা লৈবাক অসিনা থাউদগী লাকপা দোল্লরদি ইয়াও য়াওদনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগীদমক্তা মপান দগী তঙাইফদবা পোৎলম খুদিংমক ইমপোর্ট তৌবা তাখি।

সবসিদাইজ তৌবা পোৎলমশিং ফংলত্তবগা লোয়ননা ভেনিজ্বেলনশিংনা তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংনবা হোৎনবদা পুং কয়া অশাংবা ক্যুদা লেপ্পবা তাই হায়রি।

হৌখিবা চহীগী দিসেম্বরদা পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সন্দা ওপোজিসন পার্টিশিংনা ভেনিজ্বেলাগী নেসনল এসেমব্লিদা অয়াম্বা সিটশিং ফংখি। মখোয়না প্রসিদেন্ট মাদুরোবু কুমজা ২০১৯দা মহাক্কী টার্ম লোইদ্রিঙৈগী মমাঙদা ওফিসতগী লৌথোক্লবগী কেম্পেইন অমা চথখি।

ভেনিজ্বেলাগী কন্সটিট্যুসনগী মখাদা প্রসিদেন্টবু মহাক্কী টার্মগী অরোইবা চহীগী মনুংদা রিকোল তৌবা তারবদি ভাইস প্রসিদেন্টনা মহাক্কী মহুৎ শিনগনি।

মীখল নৌনা পাঙথোক্লবগীদমক্তা কুমজা ২০১৭কী জন্যুৱারী ১০গী মমাঙদা রিকোল রিফরেন্দম অমা পাঙথোক্কদবনি। ভাইস প্রসিদেন্ট অরিষ্টোবুলো ইষ্টুরিজ প্রসিদেন্ট মাদুরোগী সোসলিষ্ট য়ুনিটি পার্টিগী লোয়েল মেম্বর অমা ওইবা মরম্না ওপোজিসন্না মীখল নৌনা পাঙথোকপা পামই হায়রি।

# পোলন্দদা নেটোগী মিলিটরি এক্সরসাইজ হৌখ্রে



ব্রসেলজ, জুন ১১ (এজেন্সী) :
মনাক নকপা য়ুক্রেনদা রশিয়ানা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিংনা নুংনাংবা পোকহল্লবা লৈবাকশিংগী মবুক্লিং লুম্নবা পায়খৎলকপা থৌরাংশিংগী শরুক অমা ওইনা নেটো অমসুং মপাং লৈবাক ২০ হেনবনা শরুক য়াবা মিলিটরি ট্রেনিং অমা পোলন্দদা হৌখ্রে।

কোল্ড ৱার লোইশিনখিবদগী নেটোগী নোংপোক থংবা চিদাইদা পায়খৎলকপা খ্বাইদগী চাউবা এক্সরসাইজশিংগী মনুংদা অমা ওইনা ট্রুপ ৩০,০০০ জুন থাগী মনুংদা নুমিৎ ১০নি হেন্না দিপ্লোই তৌরগনি। ট্রুপশিং অদু য়াম্লবা ভেহিকলশিং, এয়র ক্রাফট অমসুং শিপশিংনা শৌগৎলি হায়রি।

খোঙথাং অদুনা ক্রেমলিন অমসুং নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা হান্নদগী লৈরকপা টেন্সন হেনগৎহল্লগনি হায়রি।

অহিংগী মতমদা হেলিকোপ্টরগী এটেক অমসুং ভিষ্টুলা তুরেল মথক্তা টেম্পরেরি থোং অমা শাননবা য়ু এসকী পেরা ট্রুপশিং থাদবা য়াওবা এনাকোন্দা-১৬ এক্সরসাইজ অদু ৱারসোদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেটোগী সম্মিটকী থা অমা মাঙওইননা পাঙথোক্লিবনি। সম্মিট অদুদা ইষ্টর্ন য়ুরোপতা অহেনবা ট্রুপশিং দিপ্লোই তৌবগী ৱাফম য়ানরগনি হায়রি।

এনাকোন্দা-১৬কী পান্দমদি পোলিশ নেসনল কম্মান্দ অমসুং ফোর্সকী ষ্ট্রক্টচরশিংবু মীচং ওইবা জোইন্ট মল্টিনেসনল ইনভাইরোনমেন্ট অমদা পুনশিনহন্নবা ট্রেনিং পীবনি হায়না য়ু এস আর্মি য়ুরোপনা হায়খি।

এক্সরসাইজ অদুদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ট্রুপ ১৪,০০০ পুথোক্কনি। মদু খ্বাইদগী চাউবা মপানগী কন্টিঞ্জেন্ট ওইগদৌরিবনি। স্বিদেন অমসুং ফিনলেন্দগুম্বা নেটোগী নত্তবা লৈবাকশিংসু এক্সরসাইজ অদুদা শরুক য়ারি।

ইষ্টর্ন য়ুরোপতা মোস্কোনা শৌগৎপা কম্যুনিজম থুপখিবা চহী ১০গী মতুং কুমজা ১৯৯৯দা পোলন্দনা নেটোদা য়াওশিনখি। মোস্কোনা য়ুক্রেনদা চথরক্লিবা থৌওংশিংবু ৱারসোনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা ট্রুপ অমসুং খুৎশু-খুৎলাই হেন্না থম্ননবা নেটোদা হঞ্জিন হঞ্জিন তকশিনখিবনি।

# দামাস্কসকী মনাক্তা লৈবা লাইশঙদা বোমগী এটেক অনী চথখ্রে



দামাস্কস, জুন ১১ (এজেন্সী) :
সিরিয়াগী কেপিটেলগী মনাক্তা লৈবা সিয়াগী লাইশঙ অমগী মপান্দা বোম এটেক অনী চথবদগী য়ামদ্রবদা মীওই নিপান শিখ্রে। লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈননা ঈকায় খুম্নরিবা মফম অদুদা চথরকখিবা শাথিরবা এটেকশিংগী মনুংদা ঙসিগী এটেক অদুনা খ্বাইদগী নৌবা এটেকনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ওফিসল সানা ন্যুজ এজেন্সীনা হায়খি, মালেমগী সিয়াশিংনা লুনা অমসুং ঈকায় খুম্ননা চৎলিবা সায়িদা জৈনাবগী খুভম অদুদা সুইসাইদ বোম্মরগী এটেক অমা অমসুং কার বোম এটেক অমা চথখি।

বৃটেনদা বেজ তৌবা সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা এটেকশিং অদুদা শিখিবা অমসুং শোকখিবশিংগী মশীং খরা হেনগৎনা পীরদুনা শিখিবনা য়ামদ্রবদা মীওই ১৭নি অদুগা শোকখিবশিংগী মশীংনা ৩০নি হায়খি।

দামাস্কস সিটিগী ময়াই চবুক্তগী খা রোমদা কিলোমিটর ১০ রোম চৎলগা লৈবা খুভম অদু গভর্ণমেন্টবু শৌগৎপা ফোর্সশিংনা কন্না ঙাক শেন্দুনা থল্লকখি। তৌইগুম্বসুং মফম অদু ইস্লামিক ষ্টেটনা ক্লেম তৌখিবা এটেকশিং য়াওনা জিহাদি এটেক কয়াগী টার্গেট ওইদুনা লাক্লি।

সিরিয়াগী ওফিসল এ আই ঈখবরিয়া চেন্নেলনা মৈ চাক্লবা কারকশিংদগী অমুবা মৈখু মপৈশিং কাখৎলকপগী শক্তমশিং উৎখি। লম্বীদা দুকানগী সাইনশিং তাদুনা লৈবগা লোয়ননা ফাইটরশিংনা চাক্লিবা মৈরিশিং মুখুৎনবা হোৎনখি।

মমাঙগী ইকোন কোনবা সায়িদা জৈনাবকী এটেক অদু এপ্রিল ২৫দা পাঙথোকখি অমসুং এটেক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই তরেৎ শিখি অমসুং মীওই দজন কয়া শোকখি।

# অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা টালিবানগী লোৎফমশিং য়ু এসনা বোম থাদরো : পাকিষ্টান আর্মি চীফ



ইস্লামাবাদ, জুন ১১ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা টেহরিক-ই-টালিবান পাকিষ্টানগী মিলিটেন্টশিং অমসুং মখোয়গী চীফ মুলা ফাজুলাগী লোৎফমশিংদা টার্গেট তৌদুনা এটেক চথনবা পাকিষ্টানগী মতিক ময়ায় লৈরবা আর্মিগী চীফ জেনরেল রহীল শরিফনা য়ু এসতা হায়খ্রে।

রিজোলুট সপ্পোর্ট মিসন ইন অফঘানিষ্টানগী কম্মান্দর জেনরেল জোন নিকোলসন অমসুং অফঘানিষ্টান অমসুং পাকিষ্টানগী য়ু এসকী অখন্নবা রিপ্রজেন্টিটিব রিচার্দ ওলসনগা ঙরাং মফম অসিদা পাঙথোকখিবা অৱাংবা থাকী মিটিং অমদা জেনরেল রহীলনা দিমান্দ তৌখিবনি।

নুমিদাং অথেংবদা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা আর্মিনা হায়খি, জেনরেল রহীলনা অফঘানিষ্টানদা লোৎতুনা লৈরিবা টেহরিক-ই-টালিবান পাকিষ্টানগী মিলিটেন্টশিং অমসুং মখোয়গী লিদর মুলা ফাজুলাহবু টার্গেট তৌনবা দিমান্দ তৌখ্রে।

অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা মখোয়গী বেজশিংদা টি টি পি অমসুং মুলা ফাজলুলাবু টার্গেট তৌনবা দিমান্দ তৌরদুনা হোষ্টাইল ইন্টলিজেন্স এজেন্সীশিং লৈহন্দবা হায়বা সী ও এ এসকী ফিরেপ্পু নৌহৌননা নীংশিংখি।

মরু ওইনা রো অমসুং এন দি এসনা টেররিজমগী থবক থৌওং কয়াদা মতেং পাংনবা হোৎনবা ঙমহল্লোইদবনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

মদু হৌখিবা মে ২১দা বেলোচিষ্টানদা সী আই এনা দ্রোন এটেক চথদুনা অফঘান টালিবানগী চীফ মুলা মনসৌরবু হাৎখিবা মতুংদা পাকিষ্টানগা টেন্সন ৱাংখৎনখিবদগী য়ু এসকী অৱাংবা থাক্কী ওফিসলশিংনা পাকিষ্টানদা খোঙচৎ অমা লাকপা অহানবনি।

আর্মিনা হায়খি, মিটিং অদুদা রিজনেল সিক্যুরিটিগী ৱাফম খন্নখি। মরু ওইনা মে ২দা চথখিবা য়ু এসকী দ্রোন এটেক অদুগী মতুংদা অফঘানিষ্টানদা তং তাবা ফীভম লৈহনবা, বোর্দর মেনেজমেন্ট অমসুং পিছকী মরমদা খন্নখি।

বেলোচিষ্টানদা চথখিবা য়ু এসকী দ্রোন ষ্ট্রাইক অদু পাকিষ্টানগী সোভরন্তি খোঙ্গাওনবা থৌওং অমনি হায়রদুনা জেনরেল রহীলনা থৌদোক অদুনা লৈবাক অনীগী অমগা অমগা থাজনবা অমসুং ঈকায় খুম্নবদা কয়া য়াম্না অকায়বা পীবগে হায়বগী মরমদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

য়ু এসকী এক্সন অদুনা ওপরেসন-ঈ-অজবতগী ফংলিবা কান্নবশিংসু অরেম্বা তাহল্লে হায়না জেনরেল রহীলনা ফোঙদোকখি।

রহীলনা হায়খি, লমদম অদুদা তুং কোয়না ঈং-চীকপা ফীভম লাকহন্নবগী থবকশিং পায়খৎপদা মায় পাক্লবা অমগা অমগা থাজবা থম্নদুনা হোৎনমিন্নগনি।

# লিবিয়ন ফোর্সনা আই এসকী মখুত্তগী সিটি নৌনা লৌশিনখ্রে




ত্রিপোলি, জুন ১১ (এজেন্সী) :
ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিংগা অকনবা মওংদা লান্থেংনরবা মতুংদা মখোয়না সির্টে সিটি নৌহৌননা কন্ট্রোল তৌরে হায়না লিবিয়ন ফোর্সনা হায়রি। সির্টে অসি ইরাক অমসুং সিরিয়াগী ৱাংমদা লৈবা আই এসকী খ্বাইদগী মরু ওইবা ষ্ট্রোংহোল্ডনি।

চয়োল অসিগী অঙনবদা ৱারপ্লেনশিংনা সির্টেদা লৈবা আই এসকী পোজিসনশিংদা বোম থাদখি অমসুং নেভল ফোর্সশিংনা হিথাংফম অদুদা মিসাইলশিং কাপশিনখি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। এটেক অদু মখা তানা চথরি হায়রি।

য়ু এননা শৌগৎপা ত্রিপোলিদা লৈরিবা য়ুনিটি গভর্ণমেন্টকা য়ানবা ফোর্সশিংদুনা হৌখিবা থাদা সিটি অদুবু নৌনা লৌশিন্নবা লাল হৌখিবনি। মখোয়গী স্পোক্সমেন জেনরেল মহমদ অল-ঘুশরিনা হায়খি, আই এসকী সিনিয়র লিদরশিং খা পাংনা দেজর্টতা চেনশিনখ্রে, তৌইগুম্বসুং মিলিটেন্ট কয়া সিটি অদুগী ময়াইদা লাঙ্গোই চন্দুনা লৈরি।

মতম অমদা ইন্টরনেসনল সম্মিটশিংগী মফম অমা ওইরম্বা উগাদৌগু কনফরেন্স সেন্টর হৌজিক্তি আই এসকী কম্মান্দ সেন্টর অমা ওইবগা লোয়ননা লালগী মায়কৈসু মফমসি পাংলকখি।

গভর্ণমেন্ট শৌগৎপা ফোর্সশিংনা অকনবা মওংদা আর্টিলরি কাপ-শিনবগা লোয়ননা কনফরেন্স সেন্টর অদুবু টার্গেট তৌখি। ফোর্সশিংদু ৱারপ্লেনশিংনসু নোংথক্তগী বেকিং পীখি। আই এস ফাইটরশিংনা স্নাইপর নোংমৈশিং, মেছিনগনশিং অমসুং মোর্টার রাউন্দশিং শীজিন্নদুনা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মায়োক্তা খুৎ হনখি।

গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী লান্মী অনী শিরে অমসুং অতৈ নিপান্না শোক্লে হায়না ফোঙদোকখি। সির্টে সিটি অসি মফমদুগী চিংথুখিবা লিবিয়াবু হাই হুমদুনা লৈঙাকখিবা মুআম্মর গুদাফিগী হোমটাউননি।

য়ুনিটি গভর্ণমেন্ট ত্রিপোলিদা থা ২ হেনবগী মমাঙদা শেমখি। য়ুনিটি গভর্ণমেন্টবু আই এসকী মায়োক্তা মিলিটরি পাঙ্গল শাগৎহনগদবনি হায়না য়ু এসনা ফোঙদোকখ্রে। মসিনা মিলিটেন্টশিংবু মায়থিবা পীবা ঙম্বগী ফীভমদু লাকহনগনি হায়না য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিনা হায়খি।

য়ু এসতা নত্তনা মালেমগী অতৈ পৱার কয়ানসু ইস্লামিক ষ্টেট থেংননবা মখোয়না লিবিয়াগী য়ুনিটি গভর্ণমেন্টদা খুৎলাই পীনবা শেম শাদুনা লৈ হায়খ্রে। ভিয়েনাদা ৱা ঙাঙবদা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিনা হায়খি, য়ু এনগী খুৎলাইগী অথিংবশিং কোমথোকহন্নবা লিবিয়ানা হোৎনরকপদা মালেমগী পৱারশিংনা লৈবাক অসিবু শৌগৎকনি। আই এস অসি লিবিয়াদা অনৌবা থ্রেট অমনি। মসিগী থৌওংশিং লেপহনবা য়াম্না তঙাইফদ্রে।

হৌখিবা থাদা লিবিয়ন গভর্ণমেন্টগী ৱার্নিং অমনা হায়খি মদুদি, লৈবাক অসিগী মচোই মচোই তাবা ফীভম্বু অমত্তা ওইনা পুনশিনবা ঙম্বা অমত্তা ঙাইরবা এন্তিটিদি জি এন এ (গভর্ণমেন্ট ওফ নেসনল একোর্দ)নি।

# কলম্বীয়াদা ইন্দিয়নশিং য়াওনা এসিয়ন মাইগ্রেন্ট ৩৭ ফাজিন্দুনা থমখ্রে

বোগোটা, জুন ১১ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়াদগী য়াওনা ভিজা য়াওদবা সাউথ এসিয়ন মাইগ্রেন্ট ৩৭ কলম্বীয়াদা ফাজিন্দুনা থমখ্রে। মখোয় হ্যুমেন ট্রাফিকরশিংনা হুন্দোক্লম্লবা মতুংদা ওথোরিটিশিংনা ফাজিন্দুনা থম্লিবনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

"মখোয়বু লৈবাক অমদগী অতোপ্পা লৈবাক অমদা পুদুনা চৎপা মীওইশিংনা হুন্দোক্লম্লবা মতুংদা মাইগ্রেন্টশিং অদু পানামাগা লোন্ননা লৈবা রিওসুসিও টাউন মনাক্তা লৈরম্বা থেংনখিবনি" হায়না কলম্বীয়ন নেভিগী চেরোল অমনা হায়খি।

নুপা ৩৬ অমসুং নুপী অমা ওইবা মাইগ্রেন্টশিং অদু বাংলাদেশ, নেপাল, ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানদগীনি।

ওফিসলশিংনা মখোয়বু করিবিন সিগী শরুক অমা ওইরিবা গল্ফ ওফ উরাবাগী কোষ্টতা লৈবা হিথাংফম টাউন টর্বোদা ট্রান্সফর তৌখি। মখোয়বু মফম অদুদা পীজ-পীথক তৌবগা লোয়ননা মশাগী ফীভমশিংদু য়েংশিল্লবা মতুংদা মাইগ্রেসন ওথোরিটিশিংগী মফমদা শিন্নখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

টর্বোদা চে-চাং য়াওদবা মীওই ৩২২ কলম্বীয়ন ওফিসলশিংনা ফাখি। মখোয় অয়াম্বা ক্যুবান ঙাক্তনি অমসুং মখোয় হৌজিক মাইগ্রেসন ওফিসলশিংনা মখোয় লৈবা য়াগনি নৎত্রগা য়ারোই হায়রকপা ঙাইরি হায়না টর্বোগী গভর্ণমেন্ট সেক্রেটরি ইমেলিদিজ মুনোজনা হায়খি।

হৌখিবা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা চে-চাং (ভিজা) য়াওদবা মাইগ্রেন্ট ৭৫০ হেন্না কলম্বীয়াগী মফম কয়াদগী ফাগৎখি হায়রি। লৈবাক অসিনা চহী অসিগী অহৌবদগী মীওই ৬,০০০ হেন্না ময়ুম লৈবাকশিংদা হলহনখ্রে।

## EMPLOYMENT NEWS

### ONGC RECRUITMENT 2016 – 1 YEAR CA/CMA INDUSTRIAL TRAINING (10 VACANCY) – LAST DATE 24 JUNE

**ONGC Recruitment 2016**
Oil and Natural Gas Corporation Limited (ONGC) invites application for 1 Year Industrial Training for Chartered Accountants in 10 Seats. Apply before 24 June 2016.
**Job Details :**
**Post Name :** Industrial Training for Chartered Accountants
**No. of Vacancy : 10 Posts**
**Pay Scale :** Rs. 10000/- (Per month)
**Eligibility Criteria for ONGC Recruitment :**
**Educational Qualification :** IPC/Intermediate Pass from The Institute of Chartered Accountants of India. Minimum Marks in 12th – 60%
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** As per ONGC Rules.
**Job Location :** All India
**Selection Process :** Selection will be based on Interview.
**How to Apply ONGC Vacancy :** Interested candidates may may send their Application as per attached format to the Coordinator, Industrial Training by mail at icwaitrgongc@gmail.com on or before 24.06.2016.
**Important Dates to Remember:**
**Last Date for Submission of Application :** 24.06.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement & Application form Link :** http://www.ongcindia.com/wps/wcm/connect/2d4744b0-d23d-412a-89cb-300ca2a8f68b/CAICWA.pdf?MOD=AJPERES

### ONGC RECRUITMENT – 03 FIELD MEDICAL OFFICER & GENERAL DUTY MEDICAL OFFICER VACANCY – WALK-IN-INTERVIEW 21 JUNE 2016

ONGC, Gujarat invites application for the post of 03 Field Medical Officer & General Duty Medical Officer on contract basis. Walk-in-Interview 21 June 2016.
**Job Details :**
**Post Name :** Field Medical Officer
**No. of Vacancy :** 02 Posts
**Pay Scale :** Rs. 60000/- (Per month)
**Post Name :** General Duty Medical Officer
**No. of Vacancy :** 01 Post
**Pay Scale :** Rs. 31400/- (Per month)
**Eligibility Criteria for ONGC Recruitment :**
**Educational Qualification :** MBBS Degree from recognized university with registration certificate from State / Medical Council of India.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** As per ONGC Rules.
**Job Location :** Kakinada (Gujarat)
**Selection Process :** Selection will be based on **Interview.**
How to Apply ONGC Vacancy : Interested candidates may Appear for Interview in prescribed application form along with self-attested photocopies of Certificates and recent passport size photograph & Original documents at the time of Interview.
**Venue of Interview :** 4th Floor, Hotel G.K. Residency beside Care hospital, Bhanugudi, Junction Kakinada
**Important Dates to Remember:**
**Date of Interview :** 21.06.2016 at 09:00 AM
**Important Links :**
**Detail Advertisement & Application form Link :** http://ongc.co.in/wps/wcm/connect/8f200502-0d8a-4405-b316-d34fd53b7a9b/contract-medics-EOA.pdf?MOD=AJPERES

### ASSAM PSC – APSC RECRUITMENT 2016 – 24 REGISTRAR & ASSISTANT PROFESSOR VACANCY – LAST DATE 20 JUNE

**APSC Recruitment 2016**
Assam Public Service Commission invites application for the post of 24 Registrar & Assistant Professor . Apply before 20 June 2016.
**Advt No. :** 04/2016
**Job Details :**
**Post Name :** Registrar
**No. of Vacancy :** 09 Posts
**Pay Scale :** Rs. 15600-39100/-
**Grade Pay :** Rs.6000/-
**Post Name :** Assistant Professor
**No. of Vacancy :** 15 Posts
**Pay Scale :** Rs. 15600-39100/-
**Grade Pay :** Rs.7000/-
**Eligibility Criteria for APSC Recruitment :**
**Educational Qualification :**
**For Registrar :** M.D. (Medicine/Radiology/Nuclear Medicine) or M.D. (Radiotherapy) or M.D. (Paediatrics) or M.S. (Surgery) or M.S. (E.N.T) or M.S. (Orthopaedics) or M.D. (Obst. & Gynae) or DNB (Nuclear Medicine).
**For Assistant Professor :** D.M. (Medical Oncology) / M.D. (Medicine) or M.D. (Radiotherapy) or M.D. (Paediatrics) with 2 years special training in Medical Oncology or M.Ch. (Surgical Oncology)/M.S (Surgery) / or M.S. (E.N.T) or M.S (Orthopaedics) or M.D. (Obst. & Gynae) with 2 years special training in Surgical Oncology.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** As on 03.03.2016
**For Registrar :** 25 to 43 years
**For Assistant Professor :** 21 to 43 years
**Job Location :** Assam
**Selection Process :** Selection will be based on Written Examination OR qualifying academic examination.
**How to Apply APSC Vacancy:** Interested candidates may apply in prescribed application form along with Self attested photocopies of Certificate / Mark Sheet from HSLC onwards and also Caste Certificate / Registration Certificate / Experience Certificate (where necessary) send to the Commission's office, Deputy Secretary Assam Public Service Commission Jawaharnagar, Khanapara, Guwahati-22 on or before 20.06.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Last Date for Submission of Application :** 20.06.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://apsc.nic.in/Advertisement%2004_2016.pdf
**Download Application Form :** http://apsc.nic.in/Direct%20Recruitment%20Form.pdf



HL-B/3096/18/05-17/05